

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, TUESDAY, JANUARY 5, 2016 PAGE 7


*মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদগী কেপ্টেন অমা ওইনা মতম শাংনা মহাক্কী ক্লাবগীদমক শান্নখিবা মেটচ কয়াদা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লাকখিবা অদু স্বান্সেগা শান্নবদা পাঞ্জল চনবা ঙমখ্রবা রুনি*

*বি সি সি আইগী শেঞ্জো–থুমজাগী মতাংদা থিজিন্নবা শেমখিবা কমিতিদা মীওই অমখক্কী ওইখিবা কমিতি অদুগী জষ্টিস আর এন লোধা*

## *ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ২০১৫–১৬*

# মমাঙগী চেম্পিয়ন চেলসিনা খৃষ্টেল পেলেস মায়থিবা পীখ্রে এভরটন অমসুং হোস্পর দ্রো চৎখ্রে



*খৃষ্টেল পেলেসকা শান্নখিবা লীগ মেটচতা চেলসিগী মায়কৈদগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা কোষ্টা (ময়ায়)*

*লন্দন, জনুৱারী ৪ঃ*

ইংলিস প্রেমিয়র লীগগী ঙরাং শান্নখিবা ২০ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইরিবা চেলসিনা খৃষ্টেল পেলেসপু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এভরটন অমসুং টোটেনহাম হোটস্পর পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইরিবা চেলসি হন্দক্সী সিজন অসিদা য়াম্না ফজদবা পার্ফোমেন্স লৈখিবদগী পোইন্ট টেবলদা মনিংদা লৈখিবনি। ঙরাং মায় পাকপা অদুনা চেলসি মেটচ ২০ দা পোইন্ট ২৩ ফংদুনা লীগ টেবলদা ১৪ শুবা পোজিসন্দা হায়গৎলক্লি।

মখোয়না মায়থিবা পীখিবা খৃষ্টেল পেলেস মেটচ ২০ দা পোইন্ট ৩১ ফংলগা ৭ শুবা পোজিসন্দা লৈরি। চেলসি অমসুং খৃষ্টেল পেলেসকী মেটচ অদু হৌরকপদা চেলসিনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মদুগী ফলনা শান্নবগী ২৯ শুবা মিনিটতা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু কোষ্টোনা চনখিবনি। পাঞ্জল শোখরবা খৃষ্টেল পেলেসকী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা অহানবা হাল্ফ অদু মখা তাবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা চেলসিনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা মিনিট ১৫ রোম চঙশিল্লকপদা চেলসিগী মায়কৈদগী ৱিলিয়ন্না মেটচগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৬০ শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখি। পাঞ্জল ২–০ মাঙজিল থারবা চেলসিনা শান্নবগী ৬৬ শুবা মিনিটতা টিম অদুগী মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর দিয়েগো কোষ্টানা চন্দুনা খৃষ্টেল পেলেসপু ৩–০ দা হেন্দুনা মেটচ অদু লোইশিনখি।

ঙরাং শান্নবা অতোপ্পা মেচট অমদা টোটেনহাম হোটস্পর অমসুং এভরটন পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখি। টোটেনহাম হোটস্পর দ্রো চৎখিবা অদুদগী ফংলকপা পোইন্ট অদু থারগা মেটচ ২০ দগী পুন্না পোইন্ট ৩৬ ফংদুনা টেবলদা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখি।

থাংজ নুমিৎতা শান্নবা ২০ শুবা রাউন্দগী মেটচতা অর্সনেলনা ন্যু কাষ্টল য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১–০ দা মায় পাক্কুনা পুন্না পোইন্ট ৪২ ফংবগা লোয়ননা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

লীগ অসিগী টাইটল কয়ারক হন্না লৌবা ঙমখ্রবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা স্বান্সে সিটিবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলদা পুন্না পোইন্ট ৩৩ ফংলগা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

মমাঙগী রাউন্দ ফাওবা মাঙজিল থাদুনা লৈরম্বা লৈকেষ্টর সিটিনা থাংজ নুমিৎতা এ এফ সি বোর্নমাউথকা শান্নবদা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট অহুম ফংলম্বা য়াবা খুদোংচাবা অদু মাঙখিবদগী পোইন্ট ১ ফংলগা ৪০ য়ৌদুনা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরিবনি। করিগুম্বা মখোয়না বোর্নমাউথপু মায়থিবা পীবা ঙল্লম্বদি মখোয় অর্সনেলগুম্না মকোক্তা লৈরমগদবনি।

মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ব্রাটফোর্দপু পাঞ্জল ২–১ দা থোইখিবদগী সিটি মেটচ ২০ দা পোইন্ট ৩৯ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা তরুকশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদনা লিভরপুলবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

স্পেন্দা শান্নরিবা লা লীগা ফুটবোল লীগকী ঙসি অয়ুক অঙনবদা মমাঙদা চেম্পিয়ন কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা রিয়েল মাদ্রিদ ভেলেন্সিয়াগা শান্নখিবা মেটচ অমদা পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎতুনা মপুং ফাবা পোইন্ট লৌবা ঙমখিদে। মেটচ অদুদা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোই মশীং অমা হন্থদুনা ১০ খত্তঃমক লৈখ্রবসু রিয়েল মাদ্রিদনা মদুগী খুদোংচাবা লৌবা ঙমখিদবদগী দ্রো চৎখিবনি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নবা ১৮ শুবা লীগ মেটচ অমদা এটলেটিকো মাদ্রিনা লিভান্টেবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইদুনা লীগ টেবলদা পুন্না পোইন্ট ৪১ ফংবগা লোয়ননা মকোক্তা লৈরি। ভেলেন্সিয়াগা দ্রো চৎখিবা রিয়েল মাদ্রিকী টিম পোইন্ট ৩৭ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

ভিলারিয়েলনা ঙরাং দিপোর্টিভো লা কোরোনাবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ভিলারিয়েল মেটচ ১৮ দা পোইন্ট ৩৬ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈরি। অনীশুবদা বার্সেলোনা মেটচ ১৭ তা পোইন্ট ৩৯ ফংলগা লৈরি।

# লক্ষমন্না লৌখিবা রন ২৮১ না হৌখিবা চহী ৫০ গী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবনি



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৪ঃ*

ঈ এস পি এন গী থাগী ওইনা ক্রিকেটকী মরমদা ফোঙবা দিজিটেল মেগাজিনগী জনুৱারী ২০১৬ কী ঈশুদা ভোট পাঙথোকপদা ইনিদয়াগী হান্না মমিং লৈরবা বেটসমেন ওইরম্বা ভি ভি এস লক্ষমন্না ২০০১ দা কোলকতাগী ইদেন গার্দেন্স ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়োক্তা রন ২৮১ লৌখিবা অদুনা হৌখিবা চহী ৫০ অসিদা ক্রিকেটকী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্সনি হায়খ্রে।

হায়রিবা মেটচ অদুদা লক্ষমন্না য়াম্না ফজবা বেটিংগী পার্ফোমেন্স উৎতুনা অহুমশুবা পোজিসন্দা শান্নরদুনা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াদগী রন ২৭৪ শোখদুনা লৈখিবা অদু মহাক্কী টিমমেট রাহুল দ্রাবিদকা লোয়ননা মঙাশুপা ৱিকেট পার্টনরসিপকীদমক রন ৩৭৬ লৌদুনা ইন্দিয়াবু মেটচ অদুদা ফজহনবা ঙমখিবনি। মেটচ অদুদা দ্রাবিদসু রন ১৮০ লৌবা ঙমখি।

ঈ এস পি এন গী দিজিটেল মেগাজিন অদুনা পাঙথোকখিবা ভোট অদু ক্রিকেট জর্নেলিষ্ট, ক্রিকেট কম্মেন্টেটরশিং অমসুং মহাক্কা শান্নমিন্নরম্বা ক্রিকেট শান্নরোইশিংগী মরক্তা লৌখিবনি। ভোট অদুদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটচমেন ব্রাইন লারা, ইংলন্দগী ইয়ান বোথম, অতোপ্পা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোল্লর মাইকেল হোলদিং, ন্যুজিলেন্দগী রিচার্দ হেদলি, শ্রীলঙ্কাগী মুটিয়া মুরালিথরন, ইংলেন্দগী গ্রেহম গুস অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজগী গেরি সোভরসনি।

পুন্না ক্রিকেট শান্নরোই ৫০ ভোট তৌনবদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী শান্নরোই ১৪ য়াওদুনা খ্বাইদগী মশী য়াম্বা টিম ওইখি। ইদেন গার্দেন্সকী মেটচ অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা স্পিন বোল্লর সেন ৱার্ননা ফোঙদোকখিবদা লক্ষমন্দা মহাক্না লংখিবা বোলশিং অদু য়াম্না নিয়ম চুম্না বেটচসমেনশিংনা কায়হল্লবা ক্রিজকী জগাদা খন–খন্দুনা লংলবসু লক্ষমন্না য়াম্না লাইনা রন লৌবা ঙমখিবা অদুনা মহাক লংফম খঙখিদবনি হায়খি।

অমরোমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্টেন রিক্কি পোন্টিংনা ফোঙদোকখিবদা লক্ষমনগী মশান্না অদুদা লেগ সাইদতা লাকপা বোল খুদিংমক রন লৌবা ঙম্বগী শক্তি অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই খুদিংমক্না ঙক্তবা ঙমখিদবনি। লক্ষমনবু আউট তাহন্নবা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লরশিংনা নুমিৎ নিনি চঙনা বোল লংখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম মেট ওইখিবা জাহির খান্না ফোঙদোকখিবদা লক্ষমন মখ্বাং নাবদগী মেটচ অদু শান্নরিঙৈদা ফ্লোরদা হিপখি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী ফিজিও ওইখিবা এন্দ্রু লৈপসনা লক্ষমন্না মখ্বাং নারবসু য়াম্না থৌনা লৈনা শান্নখিবা অদুবু থাগৎতবা ঙমদে হায়খি।

# চেন্নাই স্মাসর্সনা মুম্বাই রোকেটপু মায়থিবা পীদুনা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ টেবলদা মাঙজিল থাদুনা চৎলি



*মুম্বাই, জনুৱারী ৪ঃ*

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগকী ঙরাং শান্নখিবা টাই অমদা চেন্নাই স্মাসর্সনা মুম্বাই রোকেটপু মেটচ ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

মুম্বাই অমসুং চেন্নাইগী মেটচ অদু মুম্বাইনা মেটচ ২–১ মাঙজিল থাবা ঙমখি। ইহান হানবা মেটচ অদু মিক্স দবলসকী মায়কৈদা লম্বা তৌনবনি। মদুদা চেন্নাই স্মাসর্সকী মায়কৈদগী খৃষ্ট এদোক অমসুং পিয়া জেবাদিয়ানা মুম্বাই রোকেটসকী কমিনা ঝুল অমসুং ৱ্লাদিমির ইভানোভপু মায়থিবা পীখি।

মদুগী মতুং অনীশুবা মেটচতা মুম্বাইগী ঐচ এস প্রনোইনা চেন্নাইগী ব্রিস লেভর্দেজপু মায়থিবা পীখি। নুপাগী দবলসতা মুম্বাইগী টিমনা চেন্নাইবু থোইবদগী মেটচ ২–১ দা মাঙজিল থাখি। নুপীগী সিঙ্গলস মেটচতা চেন্নাইগী টিমদা শরুক য়ারিবা পি ভি সিন্ধুনা মুম্বাইগী হানলিবু মায়থিবা পীখি। মেটচ ২ / ২ মায় পাক্কদুনা লৈরকপদগী অরোইবা অমদি দিসাইদিং ওইরকপা নুপাগী সিঙ্গলস মেটচতা চেন্নাইগী সাইমোন সান্তোসোনা মুম্বাইগী গুরুসাইদটপু ১৫–৯, ১৫–১২ তা থোইদুনা লীগ মেটচ অদু চেন্নাইনা থোইদুনা মেটচ অমা শান্নবদা মায় পাক্কুনা পোইন্ট ৫ ফংদুনা লৈরি।

ঙরাং মুম্বাইদা শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা হাইদ্রবাদ হন্টর্সনা বেঙ্গালুরু টোপ গনসপু মেটচ ৩–২ দা মায়থিবা পীখি। হাইদ্রবাদ অমসুং বেঙ্গলুরুগী মেটচ অদুগী অহানবা নুপীগী সিঙ্গলস মেটচগী হাইদ্রবাদগী সুপানিদা কাথেটোং বেঙ্গালুরুগী সিওদিনা থোইখি। মদুগী মখা তাবা নুপাগী দবলস মেটচতা হাইদ্রবাদগী কষ্টেন মোগেনসেন অমসুং মার্কিস কিদোনা বেঙ্গালুরুগী হুন থিয়েন অমসুং কিমলিমবু মায়থিবা পীদুনা মেটচ অমমম মান্নখি। হাইদ্রবাদগী কাস্যপনা সমির বর্ম্মবু মায়থিবা পীরবা মতুং মেটচ ৩–০ দা হাইদ্রবাদ হন্টরসনা বেঙ্গালুরু টোপ গনসপু মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মেটচ ৫ গী লম্বা অদুদা বেঙ্গালুরুগীমায়কৈদগী কিদম্বী শ্রীকান্তনা হাইদ্রবাদগী মমাঙদা ৱাল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা মালেসিয়া মচালি চোং ৱৈবু ১৫–১২, ৬–১৫, ১৫–৭ দা থোইদুনা বেঙ্গালুরগী টোপ গনসকী একাউন্ট হাংখি।

মাঙজৌননা মেটচ অহুম থোইখিবনা হাইদ্রবাদ হন্টরসপু বেঙ্গালুরু টোপ গনসনা হেনগৎপা য়ারোইদবা ফিভমদা লৈখি। অরোইবা মিক্স দবলসকী মেটচতা বেঙ্গালুরগী আস্বিনি পোনাপা অমসুং জোকিন নেলসন্না হাইদ্রবাদ হন্টরসকী জ্বালা গুপ্তা অমসুং কিদোবু ১৫–১৩, ১৫–১৩ দা মায়থিবা পীদুনা হাইদ্রবাদ হন্টরস অমসুং বেঙ্গালুরু টোপ গনসকী টাই অদু মেটচ ৩–২ দা বেঙ্গালুরু থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা হাইদ্রবাদ হন্টরসনা না অহুমশুবা অমসুং বেঙ্গালুরুনা অহুমশুবদা লৈরি।

# বেলারসকী অজারেঙ্কা ব্রিসবেন ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্টতা মায় পাকপা ঙম্লি



*বেলারস, জনুৱারী ৪ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সহর বেলারসতা চখরিবা বেলারস ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা বেলারসকী শান্নরোই ভিক্তোরিয়া অজারেঙ্কানা রুসিয়াগী এলিনা ভেসনিনাবু অহানবা রাউন্দদা মায়থিবা পীখ্রে।

মমাঙদা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী আজারেঙ্কানা চহী অসিগী ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী শেম শাবা হৌরকপদা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা রুসিয়াগী এলিনা ভেসনিনাগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না কোম্না ৬–২, ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা য়াম্না নুংঙাইগদবা মওংদা ৱাল্ড নম্বর টু ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপকা লম্বা তৌনগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা য়ুম্বু লৈবাক ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী সামন্তা স্টোসুরনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দ মেটচ অমদা স্লোভাকিয়াগী শান্নরোই য়ানা সেপেলোভাগা লম্বা তৌনবদা মায় পাক্কুনা মায়থিরমগবদা তাঞ্জা অমখক কনবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি মমাঙদা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী সমান্তা ষ্টোসুরনা স্লোভাকিয়াগী য়ানা সেপেলোভাবু অহানবা সেটতা ৬–৪ দা থোইখ্রবা মতুং অনীশুবা সেটতা অমু য়ানানা ফজবা হেল্লকপদগী ৬–৩ দা মায় পাক্কুনা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি অরোইবা সেট অদুদা স্লোভাকিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোই য়ানা চেপেলোভানা অহৌবা গেম ৩ মায় পাক্কুনা মাঙজিল থাখি। অদুবু য়ুম্বু ভাবকশিংগী মমাঙদা অনৌবা থৌনা লাকপদগী গেম অহুম শোখখিবা অদু ফুকৎতুনা ৬–৪ দা মেটচ অদু থোইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ইটালিগী রোর্বাটা ভিন্সিনা সর্ভিয়াগী এলেনা জানকোভিসপু মায়থিবা পীখি। হায়রিবা মেটচ অদুদা মিন্সিনা জানকোভিসকা শান্নবা অহানবা সেট অদু ৩–৬ তা মায়থিখি। অদুবু মমাঙ চহীগী য়ু এস ওপন সেমিফাইনেলদা ৱাল্ড নম্বর ৱান সেরিনা ৱিল্লিয়মসপু মায়থিবী পীবা ঙমখিবী চহী ৩২ শুরবী রোর্বটা ভিন্সিনা সর্ভিয়াগী জানকোভিসপু অনীশুবা সেট অদুদা ৬–২ দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা সেট অদুসু ৬–৪ দা থোইবদগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

নুপীগী অতোপ্পা মেচট অমদা জর্মনিগী এঞ্জেলিক করভরনা ইটালিগী কামিলি জিওরজিবু ৫–৭, ৬–৩, ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা চঙবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাঙলুপ্তা বলগেরিয়াগী য়াম্না ফজনা শান্নরম্বদগী ৱাল্ড নম্বর আইট ফাওবা য়ৌরম্লবা মতুং ফজদবা পার্ফোমেন্স কয়া মরী–মরী লাকখিবদা ৱাল্ড নম্বর ২৮ তা হন্থরকখিবা গ্রিগোর দিমিত্রোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ফ্রান্সকী শান্নরোই গাইলস সাইমনসপু ৬–৩, ৭–৬(১০–৮) দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।


ADMISSION STARTS FOR

ENGLISH

SPECIAL CLASS

*For the aspirants of all Competitive Examinations*

Class starts: 2-11-2015
Timing: 9.00 am; Duration: 45 days

SPECIAL FEATURES

- Updated and Exam-oriented materials to be provided, concepts and techniques to be thoroughly discussed.
- All the relevant topics of the syllabi and questions of different examinations - Applied grammar, Vocabulary in usage, and understanding of comprehension, etc. to be discussed at length.
- Exhaustive Practice sets and Model test to develop competence and confidence.

CERTIFICATE COURSE ON

BASIC COMPUTER APPLICATIONS

*For all Competitive Examinations*

COURSE CONTENT: Basics of Software, Basics of Hardware, Basics of Internet, Microsoft Office (Paint, Word, Excel, Spreadsheet, Slide preparation), Pagemaker, Photoshop, Windows Installation, Typing, Practice with Computer, Online practice class for all competitive exams, Free instructional CD at the end of the Course

Class starts: 9-11-2015
Timing: 9.00-10.30 am
Duration: 3 Months

*Please contact*

Proactive Academy
of Competitive Examinations (PACE)
*For a Bright Future*

KWAKEITHEL BAZAR PHONE: 9206319209



লায়েংজরি লায়েংজরি

১। Diabetes Type I, II কুইরবা অনাবশিং ফগনি ।
২। Appendix থিনবা লেংবা য়েকপা থুনা ফগনি ।
৩। নুংশং, ঈ–তাবা, পোন্বা, চেকখাইবা য়াম্না থুনা ফগনি ।
৪। পাৎপা, পোন্বা, হাকচবা, চীকপা কুইরবশিং থুনা ফগনি ।
৫। টোনসিল, খনাওগী অরুবা অনাবশিং থুনা ফগনি ।
৬। হুই অমদি লিন্না চীকপগা পুবিরকউ, শুংসি শিরোই ।

BP Strock তগী Accident দগী চিংদুনা চহি কুইনা হৌগৎ–কাঙখৎপা ঙমদবশিংগী মায় পাক্না লায়েংজরি । ঙক্রি, শয়েং, খ্বাঙ নাবা, খোঙ, উং চীকপা হৌবা, পোন্বা, ফিনুংগী লায়না, নুংশঙ, লিন্না চিকপা, হুইনা চিকপা (অঙাওবা), ফি–লাইকোই, চখাও নাবা, ফিডৌ চৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, Kidney দা নুঙ লৈবা, Diabetes, Asthma, TB, Jaundice, Festula, Hepatitis B & C Heart Disease, Tonsil, Blood Cancer, Breast Cancer, Gastrict, Goitre, Gout, Sinusitis, Liver infection, মতম চাদনা অঙাংশিংনা পোক হৌবা, খোই মহুম, খোন শিবা, খনাওগী লায়না, মতু হৌবা, মিৎ নাবা, নাকোং নাবা, কোক তোইনা ঙাওবা, মাইহিং, ফুরি ফুরাং তৌগনবা, খোইরাই হৌবা, থাগোকপা, পুক থিনবা, ঈশিং য়াফম হৌবা, শজীক থুংবা, লাইচাক থুংবা, খোঙ খুৎ লৈথোকপা অমসুং শুজিনবা শেম্বা অসিনচিংবা Paralysis, পাৎপা পোন্বা, হাকৎচবা, মৈ অমসুং ঈশিং অশাবনা পোকপা লায়েংজরি ।

Nature Care & Herbalist
Time : 8 a.m. to 3 p.m.
Mobile No. 8974196790/ 8575844368

অদোমগী
**Khoisnam Romendro**
Singjamei Mata Hall Near
Pukhrambam Leirak